# পাকিস্টানগী মায়োক্তা লৌতুনবগীদমক ওক্যুপাইদ জে এন কেগী প্রাইম মিনিষ্টর বুক তৌখ্রে



ইস্লামাবাদ, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী):
পাকিষ্টান ওক্যুপাইদ জম্মু এন্দ কাশ্মীর (পি ও জে কে) গী প্রাইম মিনিষ্টর ফরুক হায়দর খান হন্দক্তা মহাক্কী লিদর নৱাজ সরিফকী ওনলাইন স্পীচ অমা তারুবগীদমক্তা পাকিষ্টানগী মায়োক্তা লৌতুনৈ হায়দুনা লাহোরদা বুক তৌখ্রে। নৱাজ সরিফনা ওনলাইনগী খূথাংদা পীবা স্পীচ অদুদা পাকিষ্টান আর্মিবু চৈ-থাংখি হায়রি।

ইস্লামাবাদতা সোর্স খরনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখিবদা পি এম এল-এনগী সুপ্রিমো নৱাজ সরিফ, ফরুক হায়দর খান অমসুং পার্টিগী অতৈ লিদরশিংগী মায়োক্তা নিংথৌকাবা নুমিত্তা লাহোরদা লৈবা সাদারা পুলিস ষ্টেসন্দা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখি।

পাকিষ্টান অমসুং আর্মিগী মায়োক্তা লৌতুনবগী মরালদা কেস অদু রেজিষ্টর তৌখিবনি। এফ আই আর অদু পাকিষ্টানগী মায়োক্তা লালহৌনবা ক্রিমিনেল ওইবা মওংদা লৌতুনবা, সাইবরটেরোরিজমগী থৌওং চথবা, পাকিষ্টান শেমখিবগী থৌওং কন্দেম তৌবা, লৈবাক অসিগী সোভরেন্টি মাঙহনবগী ৰাখল্লোন শৌগৎপা, তোঙান তোঙানবা গ্রুপশিংগী মরক্তা য়েংথিনবা পোকহনবগা মরী লৈননা পাকিষ্টান পেনাল কোদকী সেক্সনশিংগী মখাদা রেজিষ্টর তৌখি।

হৌখিবা চয়োলদা পাঙথোকখিবা পি এম এল-এনগী সেন্ট্রেল এগজিক্যুটিভ কম্মিটি অমসুং সেন্ট্রেল ৱার্কিং কম্মিটিগী মীটিংশিং অদুদা শরুক য়াখিবগীদমক্তা বুক তৌখিবা অতৈ মীওইশিং অদুগী মনুংদা নৱাজ সরিফকী মচানুপী মরিয়ম নৱাজ, রানা সনৌলা, অসন ইকবাল, সহিদ খকন অবাসি, পরবেজ রসিদ, মরিয়ুম ঔরঙ্গদেব অমসুং অতৌলা দরার য়াওরি।

দোন পাউচেগী রিপোর্ট মতুংইন্না নৱাজ সরিফনা লন্দনদা অনা লায়েং চথবগী মহুত্তা পাকিষ্টান অমদি লৈবাক অসিগী ইন্সটিট্যুসনশিংগী মীংচৎ থিহনগদবা অমদি ঈরাং থোক্লিংঙাই ওইবা মওংদা ৰা ঙাঙদুনা লৌতুনবগী থৌওং চথুরি হায়না এফ আই আর অদুদা পনখি।

সেপ্টেম্বর ২০ অমসুং ওক্টোবর ১দা পীখিবা স্পীচশিংদা হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর অসিনা যূমথংনরিবা ইন্দিয়াগী পোলিসিশিং শৌগৎতুনা পাকিষ্টানবু ফাইনান্সিএল এক্সন টাস্ক ফোর্স (এফ এ টি এফ) কী গ্রে লিষ্টতা মখা তানা লৈহন্নবা হোৎনরি হায়নসু এফ আই আর অদুদা মখা তানা পনখি।

# আশ্রফ ঘানি, জালমে খলিলজাদ, য়ু এস জেনরেল স্কোট মিলরনা আফঘান পিছকী মতাংদা খন্নখ্রে



দোহা, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী):
আফঘানিষ্টানগী প্রসিদেন্ট আশ্রফ ঘানি, য়ু এসকী পিছ এনভোয় জালমে খলিলজাদ অমসুং অমেরিকান কম্মান্দর জেনরেল স্কোট মিলরনা দোহাদা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা লালগী চৈথেং নংলবা লৈবাক অদুগী পিছ প্রোসেসকী মতাংদা খন্ন-নৈনখ্রে।

টোলো ন্যুজকী রিপোর্ট মতুংইন্না প্রসিদেন্ট ঘানিনা কটর অমসুং কুৱেটকী খোঙচৎ অমা চথরকখিবগা লোয়ননা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মীফম অদু পাঙথোকখিবনি।

মীফম অদু লোইরবা মতুংদা পরিং নাইনা থাগৎলকখিবা ত্বিটশিংদা খালিলজাদনা হায়খি মদুদি ঐহাক্না প্রসিদেন্ট ঘানিদা আফঘানশিংনা মরা তপ্পা ফীভম লিংনবগী খুদোংচাবা মাঙহল্লোইদবনি হায়খি।

মহাক্কী মায়কৈদগী ইস্লামিক রিপব্লিক অদুগী নিগোসিএটরশিংগী থবক শৌগৎলি হায়না ফোঙদোরকখি। মদুদা টিম অনীমক্কী মরা তপ্পা ফীভম লাকহন্নবগী কম্মিটমেন্টশিং য়াওনা নাকল খুদিংমক্কী ৰাফমশিংনা ঐহাকপু পূক্লিং থৌগৎলে হায়না ঐহাক্কী মায়কৈদগী প্রসিদেন্টদা খঙহনখি।

ঐখোয়না লৈবাক খুদিংমক্তা মরু ওইনা যূমলোন্নরিবা লৈবাকশিং অমসুং আফঘান ৰাথোক অসিগা মরী লৈননা মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবা অতৈদা মান্নবা মওংদা পিছ প্রোসেস অসিদা মতেং পাংলক্নবা আপিল তৌরি।

হাৎন-শুনবগী ঈরাং শিংথানীংঙাই ওইনা হন্থহনবনা মীওই কয়াগী পুন্সি কনগনি, থাজনবা হেনগৎহনগনি, মরা তপ্পা ফীভম লাকহনবগী থৌরাং শৌগৎপগী চাং ৱাংহনগনি অমদি নিগোসিএসন্দা শরুক য়ারিবা টিমশিংবু মখোয়গী থবক হেন্না য়াঙনা খুমাঙ চাওশিনহনবদা মতেং ওইগনি। মসিমক অফঘান মীয়াম্না পাম্লিবনি। মখোয়গীদমক্তা য়ু এসনা লেপ্লি হায়না খলিলজাদনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

জেনরেল মিলরগা শানখিবা ৱারীগী মতাংদা পল্লদুনা খালিলজাদনা হায়খি মদুদি জেনরেল অসিগা লোয়নন্না ঐহাক্না আফঘানিষ্টানগী পিছ প্রোসেস য়ু এসনা শৌগৎলি হায়বসি নৌহৌনা চেৎনা অমুক য়ানখি। আফঘান ৰাথোক্কী মতাংদা লৈরিবা ঐখোয়গী পার্টনরসিপ অমদি চথুরিবা পিছ প্রোসেস অসিনা পোলিটিকেল ৱারোইশিন অমা পুরকপা অমদি মতম শাংলক্লবা আফঘানিষ্টানগী লাল লোইশিনবদা মতেং পাংলগনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# সাউথ কোরিয়গী সিটিজন হাৎখিবগী মতাংদা নোর্থকা উংখৎনবা লেপত্রি : মিনিষ্টর

সিওল, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী):
নোর্থ কোরিয়ানা সাউথ কোরিয়াগী ফিসরিজ ওফিসল অমা হাৎখিবগী মতাংদা কোরিয়া অনীগী মরক্তা মিলিটরিগী উংখৎনবা লেপ্পা লৈত্রি হায়না সাউথ কোরিয়াগী দিফেন্স মিনিষ্টর শু ৱুকনা যূমশকৈশা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

মিনিষ্টর অসিগী মতুংইন্না মীহাৎ অদুগী মতাংদা লৈবাক অনীনা পূন্না ইনভেষ্টিগেসন অমা পাঙথোকমিন্ননবা হায়বদা পাউখুম পীরক্তবা অমদি সিওলনা লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী হকচাং নৎত্রগা লেমহৌবা শরুকশিং থিবগী ওপরেসনশিং চথবগী মতাংদা পিয়োং য়াংনা লেপ্তুনা কিহল্লকপা অসিনা নাকল অনীগী মরক্তা উংখৎনবা লেপত্রিবনি।

সাউথ কোরিয়াগী মিলিটরিগী মতুংইন্না হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২২দা মশাগী চহী ৪৭শুরবা সাউথ কোরিয়াগী ফিসরিজ ওফিসল অদু নোর্থ কোরিয়াগী ঈশিংগী শরুক্তা লৈরিঙৈদা নোর্থ কোরিয়ন মিলিটরিনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি।

মহাক মমাঙগী নুমিৎতা য়েলো সি বোর্দর ঈথৎ গিয়োন পিওংগী মনাক্তা দ্যুটি তৌরিঙৈদা মাঙখিবনি হায়না য়োনহাব ন্যুজ এজেন্সিগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

থৌদোক অদুগা মরী লৈননা নোর্থ কোরিয়াগী মায়কৈদগী নুংনাংবা ফোঙদোকপা চেরোল অমা থোক্লকখি অমসুং অদুগুম্বা থৌদোকশিং অমুক হন্না থোকহন্দনবগী থৌরাংশিং লৌখৎলগনি হায়না সাউথ কোরিয়াদা থাজবা পীরকখি। তৌইগুম্বসুং ঐখোয়না জোইন্ট ইনভেষ্টিগেসন অমা চথসি হায়না হৌদোকপদদি পাউখুম পীরকপা লৈতে। মদুগী পাউখুম পীরকপগী মহুত্তা ঐখোয়গী ঈশিংগী শরুক্তা চথুরিবা নোর্মেল সর্চ ওপরেসনশিংগী মায়োক্তা কয়ারক হন্না কিহল্লকখি হায়না ৱুকনা দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী পার্লিয়ামেন্টরি ওদিট মনুংদা ফোঙদোকখি।

নোর্থ কোরিয়ানা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২৭তা সাউথ কোরিয়াদা লৈখিদ্রবা ফিসরিজ ওফিসল অদুগী হকচাং থিনবনি হায়দুনা নোর্থ কোরিয়াগী ঈশিংগী শরুক্তা হেনজিল্লক্তনবা ৱার্নিং তৌখি। পিয়োং য়াংনা কোরিয়া লৈবাক অনীগী ঈশিংগী দি ফেক্টো বাউন্দরি ওইরিবা নোর্দন লিমিট লাইন (এন এল এল) বু মতম শাংনা য়েৎতুনা লাকখিবনি। লাইন অদুবু পিয়োং য়াংনা য়াদবনা মরম ওইদুনা মদুনা পেনিন্সুলা অদুদা অচৌবা কনফ্লিক্ট অমা লাক্লবগী মরম ওইখি।

# চাইনাগী ৱার প্লেনশিং ইন্টরসেপ্ট তৌনবা হোৎনবদা টাইৱাননা দোলর মিলিয়ন ৯০০ চাদিং তৌখ্রে

টাইপৈ, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী):
চাইনাগী ৱার প্লেনশিংনা টাইৱানগী এয়র স্পেসতা চঙশিল্লকপদা মখোয়বু থৎনবা নৎত্রগা তান্নবা চহী অসিদা লৌখৎখিবা থৌরাংশিংদা ঈথৎ অসিনা দোলর মিলিয়ন ৯০০ চাদিং তৌখ্রে হায়না টাইৱানগী দিফেন্স মিনিষ্টরনা যূমশকৈশা নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।

দিমোক্রেসি চৎপা টাইৱানবু মখোয়গী লমগী শরুকনি হায়না ক্লেইম তৌরিবা চাইনানা ঈথৎ অদুগী মনাক্তা মিলিটরিগী থবক থৌরাংশিং কনখৎলিবদু টাইৱান অমসুং য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মরক্তা লৌতুনবগী পাউখুমনি হায়না ফোঙদোকখি। য়ু এস গভর্ণমেন্টকী সিনিয়র ওফিসলশিংগী খোঙচৎশিং অমসুং খূৎলায় য়োনবগী চাং হেনগৎহনবা য়াওনা টাইৱানবু য়ু এসনা শৌগৎপগী চাং হেনগৎলকপগী মওংদা চাইনানা খোইরাং খোইশাওনবা উৎতুনা লাকখিবনি।

হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা চাইনাগী ফাইটর জেটশিংনা নাকল অনীগী মরক্তা ওফিসল ওইদবা ৱারফ্যের জোন অমা ওইনা লৈরিবা টাইৱান ষ্ট্রেটকী ময়ায় থংবা লমগী শরুক ফাওবা লানশিল্লকখিবগা লোয়নন্না টাইৱানগী সাউথ ৱেষ্টর্ন এয়র দিফেন্স আইদেন্টিফিকেসন জোন মনুংদসু কয়ারক হন্না পাইশিনখি।

পার্লিয়ামেন্টতা ৱা ঙাঙলদুনা টাইৱানগী দিফেন্সর য়েন দে-ৱানা হায়খি ঈথৎ অদুগী এয়র ফোর্সনা চহী অসিদা হৌজিক ফাওবদা চাইনিজ মিলিটরি প্লেনশিং ইন্টরসেপ্ট তৌনবা খুদক্তা ফাইটর প্লেনশিং পাইখৎহনখিবগী থৌদোক ২৯৭২ থোকখিবদা পূন্না দোলর মিলিয়ন ৮৮৬.৪৯ চাদিং তৌখি। হন্দক চাইনিজ এয়রক্রাফ্টশিংনা পীরকখিবা প্রেসর য়াম্না চাউখি। মখোয়গী থৌওং অদু ঐখোয়দা প্রেসর পীবা নত্তে হায়বা তারবদি ঈথৎ অসিগী মীয়াম্বু মীনম্বা তাগনি হায়না দিফেন্স মিনিষ্টর য়েননা ফোঙদোকখি।

মহাক্না চহী অসিগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা এয়র ফোর্সনা মিসন ৪১৩২ পাঙথোকখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি। মহাক্কী মতুংইন্না মিসনশিং অদুগী অকূপ্পশিং মিনিষ্ট্রি অসিনা পার্লিয়ামেন্টতা পীবা ব্রিফিংগী চেরোল অমদা ট্রেনিং অমসুং রেগ্যুলর এপ্রোল মিসনশিংগী মতাংদসু পনখি।

পনবা য়াবদি, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হৌখিবা চহীদা টাইৱান্দা দোলর বিলিয়ন ৮গী এফ-১৬ ফাইটর জেটশিং য়োনবগী দিল অমা এপ্রুভ তৌখিবনি।

# মীখলগী রিজল্ট চৎনহন্দবদগী কিরগিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর বোরনোব ফম থাদোকখ্রে

বিসকেট, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী):
কিরগিষ্টানগী হন্দক্তা পাঙথোকখিবা মীখলগী রিজল্ট চৎনহনখিদবগা লোয়নন্না লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টর বোরনোবনা মহাক মফম থাদোক্লে হায়না লাউথোকখ্রে।

মীখল অদুগী রিজল্টশিংগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট তৌখিবা ওপোজিসনগী মীওইশিংনা গভর্ণমেন্ট বিল্ডিংশিং পায়শিনবগা লোয়নন্না ফাজিন্দুনা থল্লম্বা মশক নাইবা পোলিটিকেল লিদর কয়া থাদোক্তুনা নুমিৎ কয়ানি খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মতুংদা ইনৌ নৌবা খোঙথাং অসি লাকখিবনি।

প্রোটেষ্টরশিংনা চহী ৭কী মমাঙদা থোকখিবা ওপোজিসন প্রোটেষ্ট অমগী মনুংদা রিজনেল গভর্ণর অমা কিদনেপ তৌবগী থৌদোক্কা মরী লৈননা চহী ১১গী জেলগী চৈরাক পীবদগী জেলদা লৈরকখিবা চপারোব য়াওখি।

করপসনগী মরালদা চহী ১১ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখিবা হান্নগী প্রসিদেন্ট অলমাষ্টেক অটম্বায়কসু মখোয়না থাদোকখি। নোংমাইজিং নুমিৎকী মীখল অদুদা শরুক য়াখিবা লৈবাক অসিগী পোলিটিকেল পার্টি ১৬কী মনুংদা শুপ্নগী পোলিটিকেল পার্টি ৪দমক মায় পাক্তুনা পার্লিয়ামেন্টতা চঙবগী খুদোংচাবা ফংখি। পার্টি মরি অদুগী মনুংদা অহুমদি প্রসিদেন্ট জিনবেকোভকা নকশিন্নবা মরী লৈনৈ। সেন্ট্রেল ইলেক্সন কম্মিসনগী মায়কৈদগী ওফিসল ওইনা লাউথোক্ত্রিঙৈগী মাঙওইনন্না প্রসিদেন্টনা মহাক মীখলগী রিজল্ট অদু চৎনহন্দনবা শেম শারে হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি। লৈবাক অদুগী পোলিটিকেলগী ওইবা ফীভম অদু য়েংদুনা মীখলগী রিজল্টশিং অদু চৎনহল্লরোই হায়না কম্মিস্না লাউথোকখি।

# পাকিষ্টান, চাইনানা নোংচুপ থংবা বোর্দর পরিংদা অনৌবা মিসাইল খিনফমশিং শেমগৎলক্লি




ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী):
পাকিষ্টাননা চাইনাগী মতেংগা লোয়নন্না পাকিষ্টান ওক্যুপাইদ কাশ্মীর (পি ও কে) দা সর্ফেস-টু-এয়র মিসাইল সাইতশিং শেমগৎলক্লি হায়না ওইরক্লিবা ফীভম অদুগী মরমদা খঙবা মশক মমিং তাকথোক্লিংদবা ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

চাইনা অমসুং পাকিষ্টানগী লান্মীশিংনা অহেনবা মিলিটরি ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎনবা য়েৎনরিবা ইন্দিয়া-পাকিষ্টান বোর্দর পরিংগী লমশিং য়েংশিনবগী থবক চথুরি হায়রি। পাকিষ্টান অমসুং চাইনানা হৌখিবা মতম খরা অসিদা লৈবাক অনীগী অপূনবা মিলিটরি এক্সর্সাইজশিং কনখৎখ্রে হায়না নিংথৌকাবা নুমিৎতা ইন্দিয়ন এয়রফোর্সকী চীফ এয়র চীফ মার্সেল আর কে এস বাদুরিয়ানা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা চহীগী ওইবা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙখিবা বাদুরিয়ানা চাইনা অমসুং পাকিষ্টাননা খুৎশম্নরগা কিহল্লকপগী ইঙ্গিৎতি উদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

মহাক্কী মতুংইন্না ইন্দিয়ানা ফীভম খুদিংমক মীকুপ নাহুম শীংনা য়েংশিন্দুনা লৈরি। ইন্দিয়ন মিলিটরিনা মায়কৈ অনী থোক্লা লান শোক্লবা য়াবগী ফীভম অমা মতম শাংনা মায়োক্লদুনা লাক্লি। মতম অমত্তদা চাইনা অমসুং পাকিষ্টানগা বোর্দরগী মতাংদা য়েৎনবা লৈবা মরম্না লৈবাক অসিগী আর্মফোর্সেসনা অরুবা ফীভম অমা মায়োক্লদুনা লৈরি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

দিফেন্সকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা হায়খি মদুদি চাইনাগী পিপলস লিবরেসন আর্মি (পি এল এ) গী ত্রুপশিংনা পাকিষ্টানগী ১২ শুবা ইনফেন্ত্রি বৃগেদকা লোয়নন্না পি ও কেগী দিওলিয়ান অমসুং জুরাদা লৈবা ফোরৱার্দ এরিয়াশিংদা য়েংশিনমীন্নবগী থবক চথুবা উখি। মদুদা পাকিষ্টান আর্মিগী দিভিজন সাইজ ফোর্মেসন অমা ওইরিবা ফোর্স কম্মান্দর নোর্দন এরিয়াজ (এফ সী এন এ) গী মখাদা লৈবা মিনিমাক্তদা বেজ তৌবা ফোর্সশিংসু শরুক য়াখি।

ওফিসল অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, সর্ফেস-টু-এয়র মিসাইল ইন্সটোল তৌনবগী শেম শাবগী থবক পাকিষ্টান আর্মি অমসুং পি এল এনা পি ও কেগী লসাদনা ধোক্কা নক্লবা পাওলি পিরদা চথুরি।

কন্সত্রক্সন মফম অদুদা পাকিষ্টান আর্মিগী পর্সনেল ১২০ অমসুং সিভিলিয়ন ২৫দগীনা ৪০ রোম থবক তৌরি। সিষ্টম অদুগী কন্ত্রোল রুম পি ও কেগী হেদ ক্বার্টরস মনাক্তা লৈগনি হায়না ওফিসল অসিনা ফোঙদোকখি।

# চহী ৯৬শুরবা ফ্রীদম ফাইটরনা কোভিদ-১৯ মায়থীবা পীখ্রে

ভুবনেশ্বর, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী):
লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা কোভিদ-১৯ পেন্দেমিক্কী মায়োক্তা লেপ্তুনা লাঞ্জং চঙশিল্লকখিবগা লোয়নন্না মশাগী চহী ৯৬ ভুবনেশ্বরগী এস য়ু এম কোভিদ হোস্পিটালদা লায়েংলকখিবা ফ্রীদম ফাইটর অমনা লায়না অসিবু মায়থীবা পীবা ঙমখ্রে।

হৌখিবা সেপ্টেম্বর ২৯দা কোরোনাভাইরস ইনফেক্সন টেষ্টতা পোজিটিভ ওইখিবা লোকনাথ নায়ক কৌবা অহল ওইরবা মীওই অদু নুমিৎতুমক্তদা লাইহৌ হৌবা, মশা শোন্থবা অমসুং শ্বর হোনবা নুংঙাইতবগী কমপ্লেন্টগা লোয়নন্না হোস্পিটালদা এদমিট তৌখি।

মহাক উরিষাগী খ্বাইদগী চাউবা কোভিদ-১৯ লায়েংবগী ফেসিলিটি ওইরিবা হোস্পিটাল অদুদগী যূমশকৈশা নুমিৎতা দিসচার্জ তৌখি। নহা ওইরিঙৈ মতমদা নীংতম্বগী ঈহৌদা শরুক য়াখিবা নায়কনা লৈঙাক্কী ওফিসর অমা ওইনা থবক্তগী পোত্থাখি।

নায়ক ক্রোনিক কিদনি দিজিজ (সী কে দি) অমসুং দাইবেটিস য়াওনা মশাদা হান্নদগী লায়েংবদা ৱারবা অরুবা লায়নাশিং লৈরবা মীওইনি হায়রি।

# কাশ্মীরদা কাপ্নবদা মিলিটেন্ট ৩ শিখ্রে, লাইন ওফ কন্ত্রোলদসু কাপ্নখ্রে



শ্রীনগর, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী):
যূমশকৈশা নুমিৎতা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মখা তানা মিলিটেন্ট অমসু হাৎখিবগা লোয়নন্না সোপিয়ন দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সাউথ কাশ্মীরদা হাৎখিবা টেররিষ্টশিংগী মশীং ৩ শুরে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাকপোকপা নুমিৎকী নুমিদাংদা লমদম অদুগী সাগুন এরিয়াদা টেরোরিষ্টশিং অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মরক্তা নোংমৈ কাপ্নখিবনি। অকক্লবা পাউ অমা ফংবদগী সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা এরিয়া অদু কোয়শিন্দুনা থল্লগা থিবা হুম্বগী ওপরেসন অমা চথখিবগা লোয়নন্না নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক অদু থোক্লকখিবনি।

পুলিসকী মায়কৈদগী মফম অদুদা লোৎতুনা লৈরম্লিবা টেররিষ্টশিং অদুদা সরেন্দর তৌনবা খঙহনখি। তৌইগুম্বসুং মখোয়না সরেন্দর তৌবগী মহুত্তা নোংমৈ কাপ্পা হৌরকখিবগা লোয়নন্না নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লখি। মিলিটেন্টশিংগী মায়কৈদগী অতৎ অখম লৈতনা নোংমৈ কাপ্লকখি হায়রি। ওপরেসন অদুদা পূন্না টেররিষ্ট অহুম শিখিবগা লোয়নন্না মখা তানা থিবা হুম্বগী থবক চথুরি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, যূমশকৈশা নুমিৎতা জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী কুপৱারা দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লাইন ওফ কন্ত্রোল (এল ও সী) দা লৈবা ইন্দিয়ন আর্মিগী পোজিসনশিংদা অতম্লনা পাকিষ্টান্না মোটার সেল কাপ্পনচিংবা চথদুনা এটেক তৌরক্লে হায়রি।

দিফেন্স মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন কর্নেল রাজেস কালিয়ানা ফোঙদোকখিবদা যূমশকৈশা নুমিৎকী নুংথিলদা পাকিষ্টাননা কুপৱারা দিষ্ট্রিক্টকী কেরান সেক্টরগী মনুং চনবা এল ও সী পরিংদা মোটার সেলশিং অমদি অতৈ খূৎলায়শিং শীজিন্নদুনা কাপশিল্লক্তুনা সিজ ফায়র থুগাইখি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা পাকিষ্টানগী থৌওংশিং অদুদা ইন্দিয়ন পোজিসনশিংনসু মতিক চাবা পাউখুম পীখি। পনবা য়াবদি, লৈবাকপোকপা নুমিৎতা জম্মু দিভিজনগী রাজৌরি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা এল ও সীদা পাকিষ্টাননা সিজ ফায়র থুগাইদুনা নোংমৈ কাপশিল্লকখিবদা আর্মিগী জে সী ও অমা শিখ্রবনি।

# হথ্রাসকী থৌদোক সুপ্রিম কোর্টকী সিটিং জজপু থিজিলহন্নবা তকশিনখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী): থাঙ্গৈশেংবা থৌদোক্কা মরী লৈনদবা অহুমশুবা পার্টিশিংগী মায়োক্তা কেসশিং রেজিষ্টর তৌবগী থৌওংবু কন্না য়ানীংদবা উৎলদুনা কোংগ্রেসনা উত্তর প্রদেশ গভর্ণমেন্টবু চৈ থাংখ্রে অমসুং অচুম্বা পূন্নমক খঙনবগীদমক্তা হথ্রাসকী থৌদোক অদুবু সুপ্রিম কোর্টকী সিটিং জজ অমবু থিজিলহন্নবা দিমান্দ তৌখ্রে।

ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা কেস অদুবু লোৎশিন্নবা হোৎনৈ হায়বসি গভর্ণমেন্ট অমসুং বি জে পিগী লুচিংবশিংনা ফোঙদোকখিবা ৱাহৈশিংদগী ইরায় লায়না খঙবা ঙম্মী হায়না পার্টি অসিনা হায়খি।

যূমশকৈশা নুমিৎতা দিল্লিদা প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা কোংগ্রেসকী লুচিংবা অভিসেক মানু সিংহবিনা হায়খি মদুদি সেদিসনগী চাজশিং য়াওনা ইস্যু অদু পুখৎখিবা মীওইশিংদা চার্জ ২১ হেনবা মরাল শীরদুনা রেজিষ্টর তৌখ্রে। মদু এক্যুজশিংগী মায়োক্তা রেজিষ্টর তৌবা কেসশিংদগীসু হেল্লে। কুমজা ২০১৪দগী সেদিসনগী কেসশিংগী মশীং য়াম্না হেনগৎলক্লে হায়না পল্লদুনা মহাক্না সুপ্রিম কোর্ট নৎত্রগা হায় কোর্টকী সিটিং জজ অমবু কেস অদুগী মতাংদা থিজিনহনগদবনি হায়খি। অহুমশুবা পার্টিশিংগী মায়োক্তা লৌখৎলিবা কেসশিং ৱিথদ্রো তৌগদবনি হায়না দিমান্দ তৌবগা লোয়নন্না সিংহবিনা হায়খি মদুদি বি জে পিগী মায়োক্তা লৈবশিং শাশিন্নবা (ফেক) কেসশিংদা বুক তৌরে।

HL-B/6439/6,8,10/10

COMET
Combined Oceans of Medical & Engineering Tutorials
ADMISSION OPEN
for
MEDICAL REGULAR COURSE
2020-21
Form & Prospectus available on website
www.cometcoaching.in
Last Date of form submission : 10/10/2020
Free Studentship available
(Limited seats base on first come first serve basis)
Note: During lockdown period, online classes will be conducted and once lockdown is lifted, regular classes be resumed with proper S.O.P.
For details plz. contact : COMET office New Block, Keishamthong Top Leirak Maning ,Airport Road

ADMISSION OPEN
ENGLISH & RHYMES COURSES
For
- SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
- RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]
At
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764
(HL-B/6436/8/10-5/11 (alt